# প্রেমিয়র লীগকী ক্লবশিং লৈবাকপোকপদগী গ্রুপ মচা খায়দোক্তুনা ট্রেনিং মখা চত্থরগনি



মেঞ্চেষ্টর, মে ১৯ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা হৌখিবা মার্চ থাদগী লেপ্তুনা লাকখিবা য়ুরোপকী মকোক থোংবা লীগশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী সিজনবু মখা চত্থনবগী পায়খৎপা অহানবা খোঙথাং ওইনা প্রেমিয়র লীগ ক্লবশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী গ্রুপ মচা খায়দোক্তুনা ট্রেনিংদা হলকপদা ক্লবশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ক্লব ২০ গী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা খোঙথাং অসি লৌখৎপদা অমত্তা ওইনা য়ান্নখিবনি। লীগ অসি মখা চত্থনবগী প্লানদা শেম্বা প্রোজেক্ট রি ষ্টার্টকী অহানবা খোঙথাং ওইনা পায়খৎপনি। লীগ অসি হৌখিবা মার্চ ৯ দগী কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা য়াদনা লৈরিবনি।

সিজন অসি করিগুম্বা মখা চত্থবা ঙমদ্রবদি ব্রোর্দ কাষ্টরশিংদগী লাকপা রিভ্নুনুদা চাউরাক্লা ৭৫০ মিলিয়ন পাউন্দ মাঙল্লবা য়ারি হায়না বৃটিশ মেদিয়া অমনা রিপোর্ট তৌখিবা লৈরে। রিপোর্ট খরাদা লীগ অসি মখা চত্থরবা তারবসু ক্লব খরাদি ৩৩০ মিলিয়ন পাউন্দমুক মাঙল্লগনি হায়রি।

প্রেমিয়র লীগনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লীগ অসিগী সেয়র হোল্ডরশিংনা গ্রুপ মচা খায়দোক্তুনা লৈবাকপোকপা নুং থিলদগী হৌদুনা ট্রেনিং চত্থবদা অমত্তা ওইনা য়ান্নরে। খোঙথাং অসি প্রেমিয়র লীগনা শাফরবা মতমদা পাঙথোকপা য়ানবগী লৌখৎপা অহানবা খোঙথাংনি। অহানবা খোঙথাং অসিগী ট্রেনিং পোটুকোলদা সোসিয়েল দিসটেন্সিং গী চৎনা কাঙলোন ঙাক্লা চৎতুনা স্কৱাদশিং ট্রেনিং তৌবা য়াহল্লি অদুমকপু কন্টেক ট্রেনিংদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা অয়াবা লৈত্রি হায়খি।

বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা মমাঙগী চায়োলদা ইলাইট স্পোর্টসশিং অমুক হলকপদা থোং হাঙদোকখ্রবনি অদুবু প্রেমিয়র লীগকী ওইনদি ক্লোজ দোরদা শান্নরবসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী সিজন লোয়শিন্নবা পূন্না মেটচ ৯২ শান্নগদবা ৱাৎলিবনি।

অদুমকপু জর্ম্মনগী বুন্দেসলিগানা মমাঙগী চায়োলদা অহানবা ওইনা লোকদাউনগী মতুংদা সিজন মখা চত্থবা ঙম্বা মেজর সোক্কর লীগ অহানবা ওইখিবনা ক্লবশিং অসিদা অচৌবা ইনোৎ অমদি পীরি। প্রোজেক্ট রি ষ্টার্ট অসিগী পান্দমদি জুন ১২ দগী লেপ্তুনা লৈরিবা ট্রেনিং সিজন অসি হৌনবনি অদুবু মসিদা ক্লবশিংনা য়াগদ্রা হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি লোয়ননা করিগুম্বা লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা শোকহনবগী কেস কা হেন্না হেনগৎলক্ত্রবদি জুন ১৯ নৎত্রগা জুন ২৬ দগী সিজন হৌবনা নম্না লৈরি।

অদুমকপু প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংনা লেমহৌরিবা মেটচশিংবু ন্যুট্রেল ভেন্যুশিংদা শান্নবগী ৱাফম হৌদোকখিবা লৈরবসু ক্লব অয়াম্বনা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা ৱাহং কয়া হঙদুনা লাক্লি।

মেদিকেল পোটুকোলগী মতাংদা প্রেমিয়র লীগনা হায়, গ্রুপ ট্রেনিংদা অমুক হলক্লবগী লৌখিবা ৱারেপ অসি শান্নরোই, মেনেজর, প্রেমিয়র লীগ ক্লবগী দোক্টরশিং, ইন্দিপেন্দেন্ট এক্সপার্ট অমসুং গভর্ণমেন্টকা খৎন্নরবা মতুংদা লৌখিবা ৱারেপনি।

ট্রেনিংদা লাকপা মীওই খুদিংমক য়ারিবা মখৈ ষ্ট্রিক মেদিকেল পোটুকোল ঙাক্লা চৎহন্দুনা ইনভাইরেমেন্টতা কায়দনবা শীনবনি। প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবশিংগী হকশেলদা অহানবা মীৎয়েং তল্লি অমসুং খোঙথাং নায়না পায়খৎতুনা ট্রেনিংবু সেফ ওইনবা হোৎনগনি।

ফুল কন্টেক ট্রেনিংগী মতাংদা ক্লবশিংগী শান্নরোইশিং, মেনেজর, প্রোফিসনেল ফুটবোল্লর এসোসিয়েসন অমসুং লীগ মেনেজর এসোসিয়েসনশিংগা ফুল কন্টেক ট্রেনিংগী পোটুকোলগী মতাংদা খৎনবা হৌরগনি হায়না প্রেমিয়র লীগকী চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

ফুল কন্টেক ট্রেনিংগী পোটুকোলশিং অদুগী মনুংদা টেম্পরেচর য়েংনবগী মফম লৈহনবা, ষ্ট্রিক হায়জিন ওইবা কান্টিল অমসুং ইরুজফম লৈহন্দবা অমসুং পিচ অমমমদা য়ামদ্রবদা শান্নরোই ৫ ট্রেনিং চত্থহনবা য়াহনবগী ৱাফমশিং অসি মনুং চন্না য়াওরবা য়ারি। লোর্য়ননা শান্নরোইশিংনা চায়োল অমদা কোভিদ–১৯ টেষ্টিং অনীরক চত্থহনবা য়াহনবগা লোয়ননা কোভিদ–১৯ পোলিসিগী মতাংদা ক্লবশিংনা শান্নরোইশিংদা অইবা চেথাদুনা খঙহলক্লবা লৈরব্রা হায়বদুসু য়েংশিনগনি হায়রি।

# ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই অমসুং কোচিং ষ্টাফশিং মে ৩১ ফাওবগী মমাঙদা ফ্লেট থাদোক্লুবা খঙহনখ্রে

কোলকটা, মে ১৯ (এজেন্সি)ঃ

কোলকটাদা বেজ তৌবা ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ইষ্ট বেঙ্গলগী ফোরেন প্লেয়র অমসুং কোচিং ষ্টাফশিং মে ৩১ ফাওবগী মমাঙদা ক্লব ইনভেষ্টর ক্লুৱেসনা খঙহলকপগী মতুংইন্না থা অসি লোয়রবা মতুংদা মখোয়না হৌজিক মফম অসিদা লৈরিবা ফ্লেটপু থাদোক্তুনা অতোপা মফম অমা য়েংনবা খঙহলকখ্রে।

ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই অমসুং কোচিং ষ্টাফ ইন্দিয়ান অমসুং ফোরেন্নরশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হনখ্রবনি অদুমকপু মফম অসিদা কোচিং ষ্টাফ মেম্বর অমা অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই খরা লৈহৌরি। ন্যুজ এজেন্সি অসিনা ফঙবা ক্লুৱেসকী ওফিসিয়েল ইষ্ট বেঙ্গলদা শরুক য়াবা মীওই অমনা হিরম অসিগী মতাংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাবা মেসেজদা হায়, ঐখোয়না মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা এপার্টমেন্টশিং মশা মশাগী য়ূম্বুদা শীন্নরগনি। মসিনা মরম ওইরগা মে ১৮ দগী মফমশিং অসি শেন্দোক্তুনা অমসুং শেমজিন্দুনা থম্বা মথৌ তারে। মসিদা পার্সনেল ওইনা এপার্টমেন্টদা লৈরিবশিংনা মে ২০ ফাওবগী মমাঙদা পোৎ চৈ লৌথোক্লুবা য়ারগনি। ক্লুৱেস ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লব (ক্বিয়ু ই বি এফ সি)না এপার্টমেন্ট অসিদগী মশাগী পোৎ চৈ মাঙবদা দায়তা পুরোই হায়না ক্বিয়ু ই বি এফ সি এদমিন টিম হায়বা গ্রুপ অমদা মেসেজ থারকখি হায়না ন্যুজ এজেন্সি অসিনা ফঙবা সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

ন্যুজ এজেন্সি অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম মেনেজমেন্ট অমনা হায়, ফ্লেটকী কন্ট্রেক্ট অসি মে ৩১ দা লোয়রে অদুবু মসিগী মতুং তারকপদা হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিনা মাখোয় কদায়দা চৎক্কনি মখোয়গীদমক করিগুম্বা খরা শীন লাঙবা মথৌ তায়। এয়রপোর্ট পুম্বা অথিংবা থল্লি অমসুং করম্বা মতমদা চলায়বা হৌগনি হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অতোপ্পা সোর্স অমনা ফোঙদোকপদা মফম অসিদা লৈরিবা শান্নরোইশিংনা মে ৩১ ফাওবগী মনুংদা মখোয়না লৈনবগী মফম থিবা মতৌ তারে। লোয়ননা বেঙ্গলুরুদা বেজ তৌবা ক্লুৱেসকসু আই লীগকী হেভিৱেদ ইষ্ট বেঙ্গলগা কন্ট্রেক্টকী মতম লোয়শিনরগনি।

মখোয়না মে ৩১ ফাওবগী মমাঙদা ক্লুৱেস অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলগা মরী তৎন্নরবা মতুংদা ফ্লেট অসি থাদোক্লবা খঙহল্লক্লি। মসি মল্টিপল কন্ট্রেক্ট লৈন্নরবা শান্নরোইশিংদসু চৎন্নরগনি। ঐখোয়না হিরম অসিগী মতাংদা ক্লুৱেসকী ওফিসিয়েলশিংগা কন্টেক তৌনবা হোৎনরবসু ফোন পায়খৎলক্তে হায়না ফোঙদোকখি। ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবকী সেনিয়র এফিসিয়েল অমনা হায়, মতৌ করম্না ক্লুৱেসনা মখোয়গী ব্যুজিনেস অসি করম্না চলায়বনো হায়বা খঙবা ঙমদে।

সেনিয়র ফুটবোল্লর অমনা হিরম অসিগী মতাংদা ন্যুজ এজেন্সি অসিনা হায়, হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিদা মতৌ করম্না শান্নরোইশিংনা লৈনবগী মফম থিগদৌরি। মখোয়না শান্নরোইশিংবু তাথিনা তৌবা য়ারোই। ফুটবোল্লরশিং অসিনা মফম অসি থাদোক্তনবা ৱরেপ লৌরে। মখোয়না হিরম অসিগী মতাংদা মতেং পাঙনবা কোল তৌবদা পাউখুম পীরক্তে। মেনেজমেন্টনা মেসেজ অমসুং কোলশিং অদু থৈদোক্তুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

ন্যুজ এজেন্সি অসিনসু ক্লুৱেসকী ওফিসিয়েলদা হিরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট লৌন্নবা হোৎনবদা কন্টেক তৌবা ফঙদে। লোয়ননা ইষ্ট বেঙ্গলগী ওফিসিয়েল অমনা ক্লুৱেস অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলগা লৈন্নরিবা মরী অসি মে ৩১ দা তৎন্নরগনি মসি ফাওবদি হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা ঙম্লোয় হায়না ফোঙদোকখি।

মমাঙ থাগী অরোয়বা চায়োলদা ইষ্ট বেঙ্গলগা মল্টি ইয়রস কন্ট্রেক্ট ট্রামিন্টে তৌখ্রবা শান্নরোইশিংনা ফুটবোল প্লেয়রস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা ইনভেষ্টরদগী কম্পেসেসন তানবদা মতেং পাঙবীনবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা ক্লুৱেস ইষ্ট বেঙ্গলনা এপ্রিল ২৫ দা ফোর্স মাজিওক্লোসকী মতুং ইন্না শান্নরোই অমসুং কোচিং ষ্টাফকী কন্টেক ট্রামিনেট তৌৎখবগা লোয়ননা মে থাগী তলব পীরারোই হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা সেনিয়র ফুটবোল্লর অসিনা হায়, মল্টি ইয়র কন্ট্রেক্ট অদুদা য়াওদবা অতোপ্পা ফুটবোল্লর খরাসু ইনভেষ্টরনা নম্ফুদা মিচ্যুয়েল ট্রামিনেসনগী এগ্রিমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনবা হোৎনখি হায়রি। মখোয়না ওফিসিয়েল অমসুং শান্নরোই পূন্না মীওই ১৯ খুৎয়েক পীনরে হায়রি। অদুবু মদু অচুম্বা নত্তে। অদুমকপু স্পেনিস শান্নরোই খরা য়াওনা কোচিং ষ্টাফকী মেম্বর অমসুং জুনিয়র শান্নরোই খরানা খুৎয়েক পীখিবা নৎত্রগা পীন্নবগী মতাংদা য়ানখিবদি লৈখ্রে অদুবু ঐখোয়দি মদু তৌরোই। লেমহৌরিবা দিয়ুশিংগীদমক ঐখোয় থংনখিগনি হায়না ফুটবোল্লর অসিনা ন্যুজ এজেন্সি অসিদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই মদুদি আই লীগ ২০১৯–২০ সিজন অসি কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা কেন্সেল তৌখিবনা মোহন বগানন রাউন্দ ৪ শান্নবা ৱাৎলিঙৈদা টাইতলগী লম্বী নকশিনখিবনা লীগকী চেম্পিয়ন ওইনা লাউথোকখ্রবনি লোয়ননা ইষ্ট বেঙ্গলগী ইন্দিয়ান শান্নরোই লালরিনদিকা রাল্টে, ব্রেন্দন ভানলালরেমদিকা, অবিশেক অম্বেকর, অশর অক্তর, শমাদ অলি মালিক, প্রকাস শরকার, মনোজ মোহমদ অমসুং বোইথাং হাওকিপ মখোয়শিং অসি ক্লব অসিগা চহী ১ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না কন্ট্রেক্টকী মতম লৈরিবনি। লোয়ননা স্পেনিস শন্তোসসু ২০২০–২১ ফাওবা কন্ট্রেক্টকী মতম লৈবনা সিজনগী তলবকী মতাংদা ৱাহং হঙল্লবা য়ানা লৈরি।




# দুব্লিন মরাথোন কোভিদ–১৯না মরম ওইরগা তোকখ্রে




দুব্লিন, মে ১৯ (এজেন্সি)ঃ

চহী অসিগী ওক্টোবর ২৫ দা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ২০২০ কে বি সি দুব্লিন মরাথোন কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লরোই হায়না মরাথোন অসিবু শীনল্লি লাঙলিবশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। অদুবু মরাথোন অসিগীদমক ইন্ত্রি পীশিনলকখিবশিং ২০২১গী মরাথোনদা ভেলিদ ওইগনি লোয়ননা মসিদা অমুক শরুক য়ানিংদবশিংগীসু রিফন্দ তৌবগী ওপসন পীগনি হায়রি।

রেসকী ডাইরেক্টর জিম অকনিনা হায়, ঐখোয়না খঙই মদুদি ৱারেপ অসিনা রন্নর খুদিংমক মরুওইনা মরাথোন অসিগী ইন্ত্রি পীশিনলকখিবশিংদি নীংবা কায়হল্লগনি। ঐখোয়না লৌরিবা অরুবা ৱারেপ অসি ইভেন্ট অসিবু মপুং ফানবা হোৎনবদা ইনভোল্ট তৌরিবা রন্নরস, সপোর্ট্টর অমসুং ভোলুর্ন্টির অমসুং স্পোন্সর খুসিদংমক্কী হকশেলবু শাফনা লৈহনবদা অহানবা মীৎয়েং থল্লি। ঐখোয়না ইভেন্ট অসি পাঙথোক্লবগীদমক অতোপ্পা লম্বী কয়া থিখি অদুবু উপায় লৈখিদে হায়না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টনা মীওই লিশিং ৫ দগী হেন্ননা পুনবা অথিংবা থল্লম্বা অদু তা অসিগী লোয়শিনলকপদা লোয়রবা য়ানা লৈরি। লোয়ননা মরাথোন য়ৈথোকখিবগী ৱারেপ অসিনা লাইচৎ অসি শন্দোকপা থিংনবা থল্লিবা লৌখৎপা থবক তৌরম পূম্নমক অমুক শাঙদোরকপা য়ানা লৈরি।

২০২০ রেস অমসুং কাউন দাউন সেরিস ওফ ফোর রেসকী ইন্ত্রি পূম্নমক ২০২১ গী রেসতা ভেলিদ ওইগনি লোয়ননা মসিদা অমুক শরুক য়ানিংদবশিং অদুগীদমকসু রিফন্দ তৌবগী ওপসন লৈরি। ২০২০ দুব্লিন মরাথোন তোকখিবা অসিনা এঠলেটিক্স আইলেন্দনা ইভেন্ট অসিগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবা ২০২০ নেস্লেল মারাথোন চেম্পিয়ন্সিপসু কেন্সেল তৌরে হায়না লাউথোকখ্রে।

২০২০ নেস্লেল মরাথোন চেম্পিয়ন্সিপকী ইন্ত্রি পীশিনখ্রবা এঠলেটশিং দুব্লিন মরাথোনগা য়ানখিবগা মতুংইন্না অনৌবা ২০২১ ইভেন্টতা অদুমক ইন্ত্রি তৌরগনি হায়রি। রিফন্দ তৌবগী ওপসন অদুনা মেনেজ মাই বুকিং ফোর দে দুব্লিন মরাথোন এন্দ দি রেস সেরিজতগী জুন ১৮ ফাওবগী মমাঙদা খুদোংচাবা ফঙগনি হায়রি। হান্নসু ফিনগাল ফোর মাই অমসুং দি সাউট দুব্লিন টেনকে মাঙজৌননা ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থা ফাওবা পোস্পান্দ তৌখ্রে।

২০২০গী দুব্লিন মরাথোন ইভেন্ট অসি কে বি সি বেকনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোক্কদবা অনীরকশুবা চহী ওইরি লোয়ননা ইভেন্ট অসি চহী ১০ রোমদা মমিং লৈরখলকপা মরাথোন অমনি। অহানবা ওইনা ১৯৮০ দা পাঙথোকখিবা দুব্লিন মরাথোনদা মীওই লিশিং ২১০০না শরুক য়াখিবনি লোয়ননা ইভেন্ট অসি য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাউবা মরীশুবা মরাথোন ওইবতা নৎতনা ১৯৮০গী মতুংদা অহানবা ওইনা চহী অসিদা ইভেন্ট অসি পাঙথোক্লরোই।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা সিজন টিকেট পায়বশিং রিফন্দ তৌরগনি

মেঞ্চেষ্টর, মে ১৯ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লেপ্তুনা লৈরিবা ফুটবোল সিজনশিংগী মাঙজৌননা ভাবোকশিংনা সিজন টিকেট লৌখিবা মীওইশিংবু ক্লবশিংনা রিফন্দ তৌবগী থবক পায়খৎন্নরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনসু কোভিদ–১৯ লাইচৎ মনুংদা সিজন মখা চত্থরবসু ভাবোকশিংনা য়েংবা ফঙল্লরোইদবনা সিজন টিকেট রিফন্দ তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

প্রেমিয়র লীগ অসি হৌখিবা মার্চ থাদগী লেপ্তুনা লাক্লি। লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর লীগকী মঙাশুবা মফমদা লৈরি অমসুং য়ুনাইটেদনা ২০১৯–২০ সিজনগী হোম মেটচ ৪ শান্নগদবা ৱাৎলি।

ক্লব অসিনা সিজন টিকেট পায়বশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা হায়, য়ুনাইটেদকী লেমহৌরিবা মেটচশিং ষ্টেদিয়ম মনুংদা মখোয়নগা লোয়ননা পূনবা ফঙল্লরোই খনবদা নুংঙাইতবা পোকই। অদুবু ক্লব অসিনা নখোয়দা থৌনা হাপ্তুনা লেপ্পা লৈত্তনা সপোর্ট তৌনবা হায়জরি অমসুং য়ূমদা তেক্তা কায়দনা লৈশি হায়না ফোঙদোকখি।

ক্লবশিংনা ন্যুট্রেল ভেন্যুশিংদা শান্নবগী মহুৎতা য়ুজিয়েল ষ্টেদিয়মদা শান্নবগী মতাংদা লেপ্পা লৈত্তনা থবক পায়খৎলি লোয়ননা য়ুনাইটেদনা মখোয়গী ভাবোকশিংদা ক্লব অসিনা শান্নবা মফমশিংদা লাক্তনবসু অপিল তৌখি।

পনবা য়াই মদুদি প্রেমিয়র লীগকী রাউন্দ ২৯ লোয়রবা ফাওবদা লিভরপুলনা পোইন্ট ৮২ ফঙদুনা অহানবা, মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পোইন্ট ৫৭ ফঙদুনা অনীশুবা, লেঞ্চেষ্টর সিটিনা পোইন্ট ৫৩ ফঙদুনা অহুমশুবা, চেলশিনা পোইন্ট ৪৮ ফঙদুনা মরীশুবা, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পোইন্ট ৪৫ ফঙদুনা মঙাশুবা, ৱালবর হার্মটননা পোইন্ট ৪৩ ফঙদুনা তরুকশুবা অমসুং সিফিল্ড য়ুনাইটেদনা পোইন্ট ৪৩ ফঙদুনা তরেৎশুবা মফমদা লৈরি।

# আই টি এফনা লৱার লেভেল শান্নরোইশিং মতেং পাঙনবা থৌরাংলি

মুম্বাই, মে ১৯ (এজেন্সি)ঃ

ইন্টরনেস্নেল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ)না লৱার রেঙ্কতা লৈবা প্রোফিসনেল টেন্নিস শান্নরোইশিংদা কোভিদ–১৯ লাইচৎ শন্দোকপা থিংনবা থল্লিবা লোকদাউননা শোকহল্লবা শান্নরোইশিংগীদমক মতেং পাঙনবগীদমক অনৌবা রিলিফ ফন্দ শেম্নবা থৌরাং তৌরি।

হৌখিবা মার্চ থাদগী প্রোফিসনেল টেন্নিস সিজন লেপ্তুনা লাকপ্না জুলাই থা ফাওবা পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্টরনেস্নেল টেন্নিস ফেদরেসন, এসোসিয়েসন ওফ টেন্নিস প্রোফিসনেল অমসুং ৱুমেন টেন্নিস এসোসিয়েসনগা লোয়ননা গ্রান্দ স্লাম মরিগী গভর্ণিং বোদিংশিংনা লৱার রেঙ্ক ৮০০ রোমদা মতেং পাঙনবগী ফন্দ তান্দুনা দোনেট তৌখিবা লৈখ্রে।

আই টি এফ ৱার্ল্ড টেন্নিস টুরদা য়াওরিবা লৱার রেঙ্ক টুর্নামেন্টশিং অমসুং জুনিয়র অমসুং সেনিয়র গেমসশিংগী মরক্তা ট্রানসেক্সন সাক্যুইদ ওইনা থবক তৌরিবা প্রোফিসনেলশিংনা এ টি টুর নৎত্রগা ৱুমেন টুরগী ক্কালিফাইদ ওইনবা হোৎনরিবা প্রোফিসনেল টেন্নিস শান্নরোইশিংদা খুদোংচাবা পীরবা য়ারি।

আই টি এফনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খোঙথাং অসিনা ৫০১ দগী ৭০০ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা টুর প্লেয়রশিংদা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা কোন্সিলবা য়ারি। অমদি মখা তাবা ৱারোল জুন ২ দা বোর্দ মীটিং পাঙথোক্লবা মতুংদা খঙল্লগনি। ঐখোয়না টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোইশিংবু ঐখোয়গী অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙনবা হোৎনরি।

মসিনা মখোয়দা খরাদা ওইরবসু অৱাবা কোক্তুনা মখোয়না পাম্বা এচিভমেন্ট অদু ফঙনবগী কেরিয়র শমথবা ঙম্লগনি থাজে হায়না ইন্টরনেস্নেল টেন্নিস ফেদরেসননা ফোঙদোকখি।

# য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসননা মে ২৭ তা পাঙথোক্কদবা মীফম পোস্পোন্দ তৌখ্রে

নিয়োন, মে ১৯ (এজেন্সি)ঃ

য়ুরোপকী ফুটবোল মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন (য়ু ই এফ এ)না মে ২৭ তা য়ৈথোকখ্রবা য়ুরো ২০২০ টুর্নামেন্টগী ভেন্যুশিংগী মতাংদা খৎন্নবা পাঙথোক্লবগী শেম শারম্বা এজুকেটিব কম্মীটিগী মীফম অদু য়ৈথোকখ্রে।

য়ুরোপিয়ানগী গভর্ণিং বোদি য়ু ই এফ এনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, মে ২৭ তা পাঙথোক্কদবা এজুকেটিব মীফম অদু জুন ১৭ তা পাঙথোক্লগনি। মীফম য়ৈথোক্লিবগী মরম অসি মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা য়ু ই এফ এ য়ুরো ২০২০গী অমুক হন্না ভেন্যুশিং এরেঞ্জ তৌনবগী মতাংদা হৌজিক্কী ওইনা লৈরিবা ওপন পোইন্ট অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপনি হায়খি।

মমাঙগী চায়োলদা য়ু ই এফ এগী প্রসিদেন্ট অলেকজেন্দর কেরিফিননা য়ুরো হোষ্ট ওইবগী সিটি মশিং হন্থরবা য়ারি হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খিবদা, হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঐখোয়না সিটি ৯ গা ৱারী শান্নরে অমসুং মথৌ তাবা খুদিংমক য়ানবা পোরক্লে অদুববু সিটি ৩ দি হিরম খরাদা ইশু লৈরি।

মরম অদুনা ঐখোয়না মখা তানা খনখিবা তারি। করিগুম্বা ঐখোয়না য়ুরোপিয়ানগী খ্বাইদগী চাউবা ইন্টরনেস্নেল ফুটবোল ইভেন্ট অসি সিটি ১২ দা পাঙথোকপগী ওইথোকপা লৈত্রবদি গভর্ণিং বোদি অসিনা সিটি মশিং হন্থরগা ১০, ৯ নৎত্রগা ৮ দা পাঙথোক্লবগী শেম শারি হায়খি।

নাকল অমরোমদা গ্লাসগোনা নিং থৌকাবা নুমিৎতা য়ুরো ২০২০গী হোষ্ট ওইনবা অমুক হন্না কনফাম তৌখ্রে। লোকেল ওগর্নাইজিং ষ্টকচর (এল ও এস) গ্লাসগোগী স্পোক্স পর্সন অমনা হায়, ফোর্মেল ওইবা কনফামেন্সন লেটর য়ু ই এফ এ য়ুরো ২০২০গী ওপরেসন ডাইরেক্টর শরোন ব্রুকখল্টরদা মে ১৪ দা মরীলৈন্নবা চে চাংশিং থাদুনা খঙহনখ্রে।

মসিগী মখা তাবা থবক থৌরমশিং মরি লৈন্নবা ষ্টেকহোল্ডর অমসুং টুর্নামেন্ট অসিবু গ্লাসগোদা হোষ্ট ওইনবা হোৎনবদা ইনভোল্ট তৌরিবা পাট্টনরশিংগা কূপ্না খৎন্নরগনি। ঐখোয়না গ্লাসগোগী হামদেনপার্কতা অমসুং স্কোটলেন্দনা কো হোষ্ট অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা য়ু ই এফ এ য়ুরো ২০২০গী শেম শাবা পাল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসননা মে ২৭ তা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা মীফম অদুদা চেম্পিয়ন লীগ অমসুং য়ুরোপিয়ান লীগশিংগী লেপ্তুনা লৈরিবা ২০১৯–২০ সিজনগী কেম্পেনগী মতাংদা খৎন্নদুনা ওগষ্ট ফাওবগী মমাঙদা লোয়শিন্নবগী ৱাফম এজুকেটিব মীফমদা পুথোক্কনি থাজন্নরমখি।

য়ুরোপকী মকোক থোংবা লীগশিং মার্চ থাদগী কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা সস্পেন্দ তৌদুনা লাক্লি অদুবু জর্ম্মনগী বুন্দেসলিগা লীগতি হৌখিবা থাংজা নুমিৎতা শান্নবা হৌখ্রে লোয়ননা স্পেনগী লালিগা, ইংলেন্দগী ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ অমসুং ইটালিগী সেরি এগী লেপ্তুনা লৈরিবা ২০১৯–২০ সিজন জুনদগী হৌদুনা সিজন মপুং ফানা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি।

অদুবু ফ্রান্সকী লীগ ৱান কেন্সেল তৌদুনা পেরিস সেন্ত জর্ম্মননা, নেদরলেন্দগী এরিদিভিসসু কেন্সেল তৌদুনা এজাক্সনা, বেলজিয়মগী বেলজিয়ান ফার্ষ্ট সিভিজন লীগসু কেন্সল তৌদুনা ক্লব ব্রুগী কে ভিনা অমসুং স্কোটলেন্দগী স্কোটিস প্রেমিয়র লীগসু নিংথৌকাবা নুমিৎতা কেন্সেল তৌদুনা চেল্টিক ফুটবোল ক্লবনা চেম্পিয়ন ওইনা লাউথোকখিবা লৈখ্রে।

পনবা য়াই য়ুরোপিয়ান লীগশিং অসিগী মতাংদা এলেকজেন্দর কেফিরিননা ঐখোয়দা য়ুরোপিয়ান সিজন লোয়শিন্নবগী ৱাখলোন লৈ অদুমকপু চপ চাবা মফম মতম খঙনবগীদমক য়ু ই এফ এগী এজুকেটিব কম্মীটিগী মীফম ঙায়খিবা তারি। হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসি অসুমক লৈরবদি ঐহাক্না য়ুরোপিয়ান সিজনবু ওগষ্ট ফাওবগী মমঙদা লোয়শিনবগা ঙমগনি থাজে।

ঐনা খনবদা অয়াম্বা লীগশিংগী সিজন লোয়শিনগনি। মসিদা লোয়শিল্লোয় হায়রবদি লীগশিং অদু শীনল্লি লাঙলিবশিংগী মখা পোলি। অদুবু মখোয়না য়ুরোপিয়ান য়ু ই এফ এ কম্পিটিসন শরুক য়াগে হায়রবদি মখোয় ক্কালিফাইয়র শান্নবা মথৌ তায় হায়না কেফিরিননা ফোঙাদোকখিবা লৈখ্রবনি।




# ব্রুতোনগী মেনেজর নিগেল তলব ককপদগী ফম থাদোকখ্রে

লন্দন, মে ১৯ (এজেন্সি)ঃ

ইংলিশ ফুটবোল লীগকী থার্দ টয়র ওইরিবা লীগ ৱানগী ক্লব ব্রুতোন অলবিয়োনগী মেনেজর নিগেল ক্লোগ অমসুং বেকরুনগী ষ্টাফ মেম্বর ২ কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা তলব ককখরকপদগী ফম থাদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৫৪ শুরবা নিগেল ক্লোগকী ফম অসি স্কিপর জেক বুকষ্টোননা প্লেয়র– মেনেজর ওইনা পূরগনি। নিগেলনা অনীরকশুবা ওইনা ব্রুতোন অলবিয়োনদা মেনেজর ওইনা ২০১৫দগী ফম অসি পুদুনা লাকখিবনি লোয়ননা মহাক্কী লমজিং মখাদা ক্লব অসিগী পূৱারীদা অহানবা ওইনা সেকেন্দ টয়র ওইরিবা চেম্পিয়ন্সিপতা প্রামোসন তৌবা ঙমখি।

মহাক অহানবা ওইনা ব্রুতোননা ১৯৯৮ তা মেনেজরগী ফম পুখি। মতম অদুদা নন লীগ ফুটবোলগী অনীশুবা টয়র ওইখি অমসুং ফুটবোল লীগতা প্রমোসন তৌবা ঙমখি। মহাক্কী এষ্টিটেন্ট গেরি ক্লোজবাই অমসুং চীফ স্কৱাট সিমোন ক্লোগসু লাক্লিবা চায়োল অসিদা ক্লব অসি থাদোক্লবা য়ারি।

ব্রুতোন অলবিয়োনগী চিয়রমেন বেন রোবেসননা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসিনা মরম ওইরবা ফুটবোলগী ক্লবশিংনা ফাইনসিয়েলদা অৱাবা মায়োক্লরি। মসিমক্না ক্লব অসিবু সেল্ফ গাদ ওইনা লৈনবগীদমক অরুবা ফাইনসিয়েলগী ৱারেপ কয়া লৌহল্লি ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ঐখোয়না করম্বা মতমদা শান্নবা মখা চত্থগনি হায়বা খঙবা ঙমদ্রি করিগুম্বা শান্নবা তারবসু মীয়াম য়াওহন্দনা শান্নগদবনা অমুক্না হেন্না ক্লবশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নিগেল ক্লোগ অসি ইংলেন্দ, নোথিঙহম ফোরেষ্ট, লিভরপুল অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিদা শান্নরমখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*